# সিন্ধুনা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ৰুহান, এপ্রিল ২৭ :

রিও ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা মতিং থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মফম অসিদা চথরিবা বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপকী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মরিশুবা সীদ সিন্ধুনা ৰুহান স্পোর্টস সেন্টর জিম্নাজিয়মদা মিনিট ৪০ চঙনা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা অনসীদেদ জপানিজ অয়া ওহোরিবু ২১-১৪, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি। সিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চিনাগী হে বিংজিয়াওগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৪ গী এদিসনদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবী সিন্ধুনা ইন্দোনেসিয়াগী দিনার দয়াহ অয়ুষ্টিনবু লোপ-সাইদেদ ওইখিবা অহানবা রাউন্দ মেচতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন মায় পাক্না হৌদোকখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা অজয় জয়ারামনা চাইনিজ টাইপৈগী হসু জেন হাওগী মখুৎতা অনীশুবা রাউন্দদা ১৯-২১, ১০-২১ দা মায়থীদুনা লৈহৌখিবদগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী সিন্ধুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মখা তানা লৈহৌবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়ন ওইরে।

মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৱর্ল্ডগী ১৩শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জয়ারামনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা চাইনিজগী মঙাশুবা সীদ টিয়ন হৌৱৈবু২১-১৮, ১৮-২১, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

লন্দন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱাল, ঐচ এস প্রান্নোয় অমদি দবলসকী জুরানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মখোয় মখোয়গী ওপনিং মেচতা মায়থীহৌদুনা য়াম্না ঙন্না বেদমিন্টন এসিয়া চেম্পিয়নশিপ্তগী লৈহৌখিবনি।

কন্টিনেন্ট অসিগী মার্কি ইভেন্ট অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল অনী লৌবা ঙমখ্রবা সাইনানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা জপানগী সায়াকা সাটোগী মখুৎতা ২১-১৯, ১৬-২১, ১৮-২১ দা মায়থীহৌখি।

মিক্স দবলসকী জুরা প্রানভ জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা মতিং থোক্না শান্নরল্লবা মতুং চাইনিজগী টোপ সীদ ঝেং সিৱৈ অমদি চেন ক্বিংচেনগী মখুৎতা ওপনিং রাউন্দদা ১৫-২১, ২১-১৪, ১৬-২১ দা মায়থীহৌখিবনি।

নুপীগী দবলস কেটগোরিদা অশ্বিনি পোন্নাপা অমদি সিক্কিনা সাউথ কোরিয়াগী চে য়ু জুং অমদি কিম সো য়েওংগী মখুৎতা ২০-২২, ১৬-২১ দা মায়থীদুনা মখোয়গী কেম্প্যেন লোইশিনখি।

নুপাগী দবলস জুরা মানু আট্রি অমদি বিসুমীথ রেদ্দিনা চাইনিজগী মঙাশুবা সীদেদ ফু হাইফেং অমদি ঝাং নানগী মখুৎতা ৯-২১, ১৮-২১ দা মায়থীহৌখি।

কুমজা ২০১৫ গী স্বিস ওপনগী চেম্পিয়ন ঐচ এন প্রান্নোয়না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরল্লবা মতুং হোংকোংগী প্লেয়র নিপানশুবা সীদেদ এন জি কা লোং অঙ্গসকী মখুৎতা ১৬-২১, ২১-১৩, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি।

### এসিয়ন গ্রান্দ প্রী এথলেটিক্স মীট

# নীনানা গোল্ড মেদল লৌখ্রে, নিরজনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখ্রে

জিয়াজিং, এপ্রিল ২৭ :

নীনা বরাক্লিনা মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন গ্রান্দ প্রী এথলেটিক মীটকী শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা লেগতা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা নুপীগী লোঙ জম্প ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ৱর্ল্ড জুনিয়র রেকোর্দ হোলদর জেভলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা শিলভর মেদল লৌবা ঙমখিদুনা লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা লন্দন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এ এ এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, এসিয়ন গ্রান্দ প্রী এথলেটিক্স মীটকী এপ্রিল ২৪ দা পাঙথোকখিবা অহানবা লেগতা নিরজ চোপ্রানা শিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

নীনানা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা তরুকশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা মিটর ৬.৩৭ শান্না চোঙদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। চাইনিজগী জু জিয়াও লিংনা মিটর ৬.৩৭ শান্না চোঙখ্রবসু অশোয়বা খরা লৈখিবদগী শিলভর মেদল ফংখি।

নীনানা ইভেন্ট অদুদা খ্বাইদগী ফবা ওইনা রাউন্দ অহুম্লক্তা মিটর ৬.৩৭, ৬.৩২ অমদি ৬.৩২ চোঙখি। অদুগা লিংনা মিটর ৬.৩৭, ৬.৩২ অমদি ৬.২২ চোঙখি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী কেরলাগী নুপীমচা নীনানা চিনাগী অতোপ্পা সিটি জিনহুৱাদা এপ্রিল ২৪ দা পাঙথোকখিবা অহানবা লেগতা নুপীগী লোঙ জম্প ইভেন্টতা মিটর ৬.৪৬ শান্না চোঙদুনা শিলভর মেদল ফংখিবনি।

মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মমাঙগী চহীদা মিটর ৬.৬৬ চোংখিবনি। নীনানা গোল্ড মেদল লৌখিবা অসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী এথলেটশিংনা সিলভর মেদল মরি অমসু লৌখি। সিলভর মেদল লৌখিবশিং অদুদি নুপীগী শোট পুটতা মনপ্রীট কৌর, নুপাগী জেভলিনদা নিরাজ চোপ্রা, নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা দুটি চান্দ অমদি নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা টিন্টু লুকানি।

অদুগা নুপাগী শোট পুটতা ওম প্রকাশ কার্হানানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অহানবা লেগতা গোল্ড মেদল লৌখিবা মনপ্রীট কৌরনা অনীশুবা লেগ অসিদা সিলভর মেদল লৌখি। মহাক্না শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী শোট পুটকী কম্পিটিসনদা য়োৎকী বোলদু মিটর ১৭.৪৬ শান্না লংখিদুনা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অসিদা চিনাগী বিয়ান কানা মিটর ১৮.০৩ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি।

মনপ্রীট কৌরনা অহানবা লেগ অদুদা মিটর ১৮.৮৬ শান্না লংদুনা নেসনল রেকোর্দকা লোয়ননা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি।

মহাক্না মায় পাকখিবা অদুনা লন্দনদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ-কীদমক ক্বালিফাই ওইবসু ঙমখিবনি।

চৈরক অসিদা নিরাজনা অহানবা জিপিদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদগী অনীশুবা লেগতনা হেন্না মশক থোক্না পার্ফোমেন্স পীখিদুনা সিলভর মেদল লৌখি। মহাকসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইখি। মহাক্না মিটর ৮৩.৩২ শান্না লংখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক নুপাগী জেভলিন ইভেন্টতা মিটর ৮৩ না ক্বালিফাই মার্ক ওইরি।

চাইনিজ টাইপৈগী চাও-টসুন চেংনা মিটর ৮৬.৯২ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। চেংনা মসিগী গোল্ড অসি থারগা অনীরকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বসু ওইখি। মহাক্না অহানবা লেগতা মিটর ৮৪.৭২ শান্না লংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। মশাগী চহী ১৯ শুরবা চোপ্রানা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা মিটর ৮৬.৪৮ ওইদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি।

# নদাল, মরেনা বার্সেলোনা ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, রোহন বোপান্না-ক্যুভাসনা মায়থীহৌরে

### মারিয়া শারাপোভানা রোবার্টা ভিন্সিবু মায়থীবা পীদুনা ষ্টুটগার্ট ওপনদা মায় পাকখ্রে





বার্সেলোনা/ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ২৭ :

রফেল নদালনা মফম অসিদা চথরিবা বার্সেলোনা ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মহাক্কী লম্বাবু রোজেরিও দুট্রা সিলভাবু মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা এন্দি মরেনা মহাক্কী মায়োক্নগদবা ওপোনেন্টবর্নাদ টোমিকনা ৱিঠদ্রো তৌখিবদগী মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

নদালনা রিয়েল ক্লব দি টেনিসতা শান্নখিবা মেচ অদুদা রোজেরিও দুট্রা সিলভাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি। নদালনা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা সাউথ অফ্রিকান কেভিন এন্দরসনগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

জুরা অসিনা কুমজা ২০১৩ গী য়ু এস ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নখ্রে। মদুদা নদালনা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখি। ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুদা নদালনা য়াম্না লায়না মহাক্কী ব্রাজিলিয়ন ওপোনেন্টপু মায়থীবা পীখি।

নদালনা দুট্রা সিলভাগী অহানবা সেট অদু ব্রোক তৌখি অমদি য়াম্না লায়না অহানবা সেট অদু মায় পাকখি।

অনীশুবা সেটতা মহাক্কী সার্ভ অদু ওপোনেন্টনা নক্মৎখ্রবা মতুং মখা তানা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা সেট অদু মায় পাকখি।

নদালনা হায়খি, রিয়েল ক্লব দি টেনিসতা নৌনা ঐগী মিংদা থোনখিবা কোর্টতা শান্নখিদুনা মায় পাকখিবদা অপেনবা পোকই। ঐনা টুর্ণামেন্ট অসিদা য়েংলিবা মীয়াম পুন্নমকপু থাগৎলি। মসি ঐগীদমক্তদি ইতিহাসিক ওইরবা টুর্ণামেন্ট অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কোর্ট অসি মহৌশাদগী বোল য়ৈবদা তপখি। অদুবু মদু নোং চুবদগী ওইখিবনি। ঐনা টুর্ণামেন্ট অসিদা মায় পাকখিবদা হরাউবা ফাওই। ঐগী মথংগী লম্বা এন্দরসনবু নক্মৎননবা হোৎনগনি। থার্দ রাউন্দগীদমক্তা ঐনা মাঙদা মিৎয়েং থম্লি হায়না হায়খি।

অতোপ্পা মেচতা বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিননা জোর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাশভিলিবু ৭-৫, ৬-০ দা অদুগা সাউথ কোরিয়াগী চুং হয়েওননা জর্মনিগী ফিলিপ কোহলসক্রেবরবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বর্নাদ টোমিককা শান্নগদবা মেচ অদুদা বর্নাদ টোমিকনা মনঙ্গনদা অশোকপা লৈখিবদগী ৱিঠদ্রো তৌখিদুনা মরেনা ৱার্ক ওভর ফংদুনা মথং রাউন্দদা চঙখি।

অমরোমদা, মোন্টে কার্লো মাষ্টর্সকী টাইটল লৌখ্রবা মতুং মতিং লৈনা এ টি পি বার্সেলোনা ওপনদা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমদি মহাক্কী পার্টনর পাব্লো ক্যুভাসনা অহানবা রাউন্দ মেচতা মখোয়গী লম্বাগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অনসীদেদ ইন্দো-উরুগুৱেগী জুরানা টোপ সীদেদ হেনরি কোন্টিনেন অমদি জোন পীয়রসকী মখুৎতা ৭-৬ (৩), ৭-৬ (২) তা মায়থীহৌখি।

মমাঙগী চয়োলদা মোনাকোদা বোপান্না অমদি ক্যুভাসনা টাইটল লৌখিবগী লম্বীদা দবলসকী ৱর্ল্ডনম্বর ৱান অমদি টুদা লৈরিবা প্লেয়র কোন্টিনেন অমদি পীয়রসপু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবনি।

ফিন্নিশ-ওষ্ট্রেলিয়নগী জুরা অসিনা মোনাকোদা মায়থীহৌখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা থোকখি। হৌজিক বোপান্নানা দবলসকীদা ৱর্ল্ডগী ১৮শুবা রেঙ্কতা লৈরি। অদুগা ক্যুভাসনা ২৪শুবা মফমদা লৈরি।

অমরোমদা, ষ্টুটগার্টতা চথরিবা ষ্টুটগার্ট ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মারিয়া শারাপোভানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ইটালিগী রোবার্টা ভিন্সিবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি। মহাক্না মালেমগী ৩৬শুবা মফমদা লৈরিবী ভিন্সিবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা রাউন্দ মেচতা শারাপোভানা ফেলো রসিয়ন ইকাটেরিনা মাকারোভাগা শান্নরগনি।

---

## MANIPUR RURAL BANK

**(A GOVERNMENT ENTERPRISE)**

**HO: KEISHAMPAT, IMPHAL**

**Publication of Balance Sheets, Profit & Loss Accounts & Auditor's Report for the year ended on 31st March 2017 under Section 31 of the Banking Regulation Act, 1949.**

### Balance Sheet as at 31st March 2017

(000 omitted)

| CAPITAL & LIABILITIES | As at 31.03.2017 | | ASSETS | As at 31.03.2017 | |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. Authorised Capital (2000000000 shares of Rs.10/- each) | | 20000000 | 1. Cash Balance | 9645 | 9645 |
| 2. Issued & Subscribed Capital (100000 shares of Rs.100/- each) from: | | 515503 | 2. Balance with RBI | 110413 | 110413 |
| a) Govt of India | 246102 | | | | |
| b) Govt of Manipur | 80820 | | | | |
| c) United Bank of India | 188581 | | | | |
| 3. Share Capital Deposits | | 0 | 3. Balances with Banks | | 500188 |
| a) Govt of India | | | a) In current account | 261226 | |
| b) Govt of Manipur | | | b) In fixed deposits | 238962 | |
| c) United Bank of India | | | | | |
| 4. Reserves & Surplus | 4325 | 22825 | 4. Investment in Govt Securities | 1586789 | 1586789 |
| 5. Deposits: | | 2771679 | 5. Loans & Advances | | 1070931 |
| a) Demand Deposits | 286436 | | a) Priority sector | 1004912 | |
| b) Saving Bank Deposits | 1763933 | | b) Non Prisec | 66019 | |
| c) Term Deposits | 721310 | | | | |
| 6. Borrowings: | | 379293 | 6. Fixed Assets | 5576 | 5576 |
| a) NABARD | 153683 | | | | |
| b) Other Inst. & Agencies( Lien on | 208210 | | | | |
| c) Hybrid Deft Capital Instrument (136 instrument of Rs.100000 each) | 17400 | | | | |
| 7. Other Liabilities : | | 260271 | 7. Other Assets: | | 666029 |
| a) Bills payable | 8451 | | a) Interest accrued | 29336 | |
| b) FLC Expenses receivable | 86 | | b) Tax paid in advance / TDS | 1000 | |
| c) Interest accrued | 31478 | | c) Stationery and Stamp | 211 | |
| d) IBPC Payable | 200000 | | d) IBPC Recieivable | 200000 | |
| e) NPS Trust MRB APY | 169 | | e) NEFT in transit | 144 | |
| f) Marginal Deposit | 64 | | f) AEPS Receivable | 24 | |
| g) Service tax | 410 | | g) Security deposits - Telephone | 16 | |
| h) Debt Relief for Weavers Scheme | 235 | | h) Festival Advances | 937 | |
| i) Subsidy reserve fund | 10242 | | i) Suspense Account | 1328 | |
| k) Provisions - for Std assets | 2860 | | 1) Cearing Adjustment | 6 | |
| - for Audit Fee | 300 | | m) Cumulative losses upto current year | 433027 | |
| - Fraud | 592 | | | | |
| l) TDS Payable | 735 | | | | |
| m) ATM | 233 | | | | |
| n) Provision for Senrysa (Buss. Dvt) | 1000 | | | | |
| o) Provision for Leave/Gratuity | 3000 | | | | |
| p) CERSAI Registration fee | 7 | | | | |
| q) Audit Fee | 87 | | | | |
| r) EPF Pension Payable | 320 | | | | |
| s) Suspense Balance | 1 | | | | |
| Total | | 3949571 | | | 3949571 |

### PROFIT & LOSS ACCOUNT FOR THE YEAR ENDED ON 31 MARCH 2017

| INCOME | As at 31.03.2017 | | EXPENDITURE | As at 31.03.2017 | |
|---|---|---|---|---|---|
| Interest/Discount on Advances/Bill | | 102670 | Interest paid on deposits | | 112660 |
| Interest on FD | | 16430 | Interest paid on borrowings | | 12572 |
| Income on Investments | | 95160 | Payment to & provisions for | | 81359 |
| Commission, Exchange & Brokerage | | 3297 | Rent, taxes & lighting | | 2577 |
| Misc. Income | | 5721 | Printing & Stationery | | 1002 |
| Processing charges | | 1695 | Director's fee | | 7 |
| Shadow recovery | | 1279 | Advertisement and Publicity | | 51 |
| Supervision charges | | 2786 | Depreciation on Bank's Property | | 1168 |
| Profit on sale of investment | | 36401 | Audit fees and allowances | | 328 |
| Profit on revaluation of Investment | | 4203 | Postage, Telegram, Telephone | | 160 |
| Other Interest Income (Bonanza) | | 343 | Repairs and Maintenance | | 2031 |
| Others Income | | 779 | Insurance | | 3591 |
| | | | Loass on revaluation of Investment | | 22703 |
| | | | Other expenditure | | 20482 |
| | | | (i) Administrative Charges | 138 | |
| | | | (ii) Recovery Agent's/ BF's Commission | 389 | |
| | | | (iii) Clearing House Charges | 33 | |
| | | | (iv) Newspaper and Periodicals | 20 | |
| | | | (v) Sanitation | 170 | |
| | | | (vi) Entertainment | 92 | |
| | | | (vii) Travelling Expenses | 359 | |
| | | | (viii) Conveyance Expenses | 190 | |
| | | | (ix) Misc. Loss written off | 191 | |
| | | | (x) Freight,coolie and other labour cha | 160 | |
| | | | (xi) Service Charges | 635 | |
| | | | (xii) Meeting Expenses | 52 | |
| | | | (xiii) Provision for Standard assets | 100 | |
| | | | (xiv) Provisions for bad Debt | 10300 | |
| | | | (xv) Hiring Charges for vehicles | 110 | |
| | | | (xvi) Staff Training Expenses | 74 | |
| | | | (xvii) Misc. Expenses | 96 | |
| | | | (xviii) Business Developmenet Exp. | 7358 | |
| | | | (xix) Computer Maintenance | 15 | |
| | | | (xxi) Administrative Charges | 138 | |
| Total | | 270764 | Total | | 260691 |
| | | | Profit before tax | | 10073 |

*Sd/- Chairman*

HL-P/1457/28

*P. K. Luharuka & Co.*

CHARTERED ACCOUNTANTS

### Independent Auditor's Report

To
The President of India

**Report on the Financial Statements**

1. We have audited the accompanying financial statements of Manipur Rural Bank ('the Bank') as at 31 March 2017, which comprise the Balance Sheet as at 31 March 2017, and the Profit and Loss Account for the year then ended, and a summary of significant accounting policies and other explanatory information. Incorporated in these financial statements are the returns of Thirteen (13) branches audited by us and nil branches audited by statutory branch auditors. The branches audited by us and those audited by other auditors have been selected by the Bank in accordance with the guidelines issued to the Bank by the Reserve Bank of India. Also incorporated in the Balance Sheet and the Statement of Profit and Loss are the returns from Seven (7) branches which have not been subjected to audit. These unaudited branches account for 21.13 percent of advances, 16.28 per cent of deposits, 20.41 per cent of interest income and 15.34 per cent of interest expenses.

**Management's Responsibility for the Financial Statements**

2. Management is responsible for the preparation of these financial statements in accordance with Banking Regulation Act 1949, Reserve Bank of India guidelines from time to time and accounting standards generally accepted in India. This responsibility includes design, implementation and maintenance of internal control relevant to the preparation of the financial statements that are free from material misstatement, whether due to fraud or error.

**Auditor's Responsibility**

3. Our responsibility is to express an opinion on these financial statements based on our audit. We conducted our audit in accordance with Standards on Auditing issued by the Institute of Chartered Accountants of India. Those Standards require that we comply with ethical requirements and plan and perform the audit to obtain reasonable assurance about whether the financial statements are free from material misstatements.

4. An audit involves performing procedures to obtain audit evidence about the amounts and disclosures in the financial statements. The procedures selected depend on the auditor's judgement, including the assessment of the risks of material misstatement of the financial statements, whether due to fraud or error. In making those risk assessments, the auditor considers internal control relevant to the Bank's preparation and fair presentation of the financial statements in order to design audit procedures that are appropriate in the circumstances, but not for the purpose of expressing an opinion on effectiveness of the bank's internal control. An audit also includes evaluating the appropriateness of accounting policies used and the reasonableness of the accounting estimates made by management, as well as evaluating the overall presentation of the financial statements.

5. We believe that the audit evidence we have obtained is sufficient and appropriate to provide a basis for our audit opinion.

**Opinion**

6. In our opinion, as shown by books of bank and to the best of our information and according to the explanations given to us:

(a) the Balance Sheet, read with the notes thereon is a full and fair Balance Sheet containing all the necessary particulars, is properly drawn up so as to exhibit a true and fair view of the state of affairs of the Bank as at 31 March 2017 in conformity with accounting principles generally accepted in India; and
(b) the Profit and Loss Account, read with the notes thereon shows a true balance of profit/loss, in conformity with accounting principles generally accepted in India, for the year covered by the account;

**Report on Other Legal and Regulatory Requirements**

7. The Balance Sheet and the Profit and Loss Account have been drawn up in accordance with Section 29 of the Banking Regulation Act, 1949;

8. Subject to the limitations of the audit indicated in paragraph 1 to 5 above and as required by the Banking Companies (Acquisition and Transfer of Undertakings) Act, 1970/1980, and subject also to the limitations of disclosure required therein, we report that:

(a) We have obtained all the information and explanations which, to the best of our knowledge and belief, were necessary for the purposes of our audit and have found them to be satisfactory;
(b) The transactions of the Bank, which have come to our notice, have been within the powers of the Bank; and
(c) The returns received from the offices and branches of the Bank have been found adequate for the purposes of our audit.

9. We further report that:
a) the Balance Sheet and Profit and Loss account dealt with by this report are in agreement with the books of account and returns;
b) the reports on the accounts of the branch offices audited by branch auditors of the Bank under section 29 of the Banking Regulation Act, 1949 have been sent to us and have been properly dealt with by us in preparing this report;
c) In our opinion, the Balance Sheet and Profit and Loss Account comply with the applicable accounting standards.

For P. K. Luharuka & Co.
Chartered Accountants
Pravin Luharuka
Partner
Membership Number: 302122
Firm registration number: 322020E

Place: IMPHAL
Date : 21/04/2017

P-44, RABINDRA SARANI, 4TH FLOOR, ROOM NO. 402A, KOLKATA - 700 001
Mobile: 98830-88633 / 98311-43341, E-mail: info@pkluharukaco.com, Website : www.pkluharukaco.com